# ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী প্লেন অদু চীংদোনদা থেঙজিনখিরম্বা য়াবগী শক্তম অনৌবা ফোটোদা উরে



***ন্যু দিল্লি, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** হৌখিবা চয়োলদা মাঙখিবা, মীওই ১৩ তোংখিবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স (আই এ এফ)কী এ এন-৩২ এয়ারক্রাফ অদু অরুনাচল প্রদেশকী মেচুকা লমদমদা অৱাংবা চীংদোনগী চীংমাই অমদা থেঙজিনখিরম্বা য়াবগী শক্তম অমা আই এ এফনা থাদোরকখিবা অনৌবা ফোটোগ্রাফ অমদা উরে।

মসিনা হৌজিক ফাওবদা মাঙখিবা প্লেন অদু কায়খিবগী খ্বাইদগী ময়েক শেঙবা শক্তম ওইরে।

এ এন-৩২ এয়ারক্রাফ অদু ফুট ১২০০০গী অৱাংবদা এম আই -১৭ হেলিকোপ্টর অমনা ঙরাং অহানবা উরকখিবনি অমসুং অশিবা হকচাংশিং অমসুং হিংলম্বা য়াবশিং ফংনবা হৌজিক রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা কন্না হোৎনরি।

ঙসি অয়ুক পূং ৬.৩০ রোম তাবদগী হৌনা অনৌবা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থবা হৌখি।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা হেলিকোপ্টর সোর্টি অনীদা ক্রাস মফম অদুগী মনাক্তা পার্সোন্নেল ৮দগী ১০ ফাওবা মায়পাক্লা থাদখ্রে, এয়ার ফোর্সতগী ৯, আর্মিদগী ৪ অমসুং মীচম ২- পূন্না চীংকারোই ১৫সু থাজিনখ্রে।

মখোয়গী মনূংদগী খরখক্তমক মফম অদু য়ৌখ্রে। নাকন অমরোমদা মীওই অতে অদুনা হিংলম্বা য়াবা মীওইশিং থিদুনা অকোইবগী উমংশিংদা অকনবা থবক চত্থরি।

ক্রাস মফম অদু উখিবা লমদম অদুগী চীংকারোইশিংসু সিয়াং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা থিবা-হুম্বগী থবক অদুদা য়াওহনখ্রে।

সোভিয়েটনা দিজাইন তৌবা ইঞ্জিন ২ পানবা টরবোপ্রোপ ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ এ এন-৩২ অদু অসামগী জোরহাৎতগী পাইখৎখ্রগা অরুনাচল প্রদেশকী মেচুকাদা লৈবা মনূং হঞ্জিনবা মিলিটরি লেন্দিং ষ্ট্রিপ অমা তন্না পাইখিবগী লম্বীদা জুন ৩গী নুংথিল পূং ১ রোমতবদা রাদরদগী মাঙখিবনি।

আই এ এফকী সি-১৩০ জে ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ, সুখোই এস য়ু -৩০ ফাইটর জেটশিং, নেভিগী ৱাই পি ৮-১ ছর্চ এয়ারক্রাফ অমসুং আই এ এফ অমসুং আর্মিগী হেলিকোপ্টরশিংগী ফ্লীট অমনা প্লেন অদু হৌখিবা নুমিৎ ৮নি পাকশন্না থিরকখিবনি। মসিদা ইশ্রো সেটিলাইটশিং অমসুং পাইলোট য়াওদবা দ্রোনশিংসু শিজিন্নখি।

নাইট-টাইম সেন্সরশিংগী মতেঙগা লোয়ননা আর্মি, নেভি অমসুং ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) ট্রুপশিংগী টিমশিংনা নুমিদাংদসু থিখি।

ছর্চ এন্দ রেস্ক্যু ওপরেসন অদুগীদমক অরুনাচল প্রদেশকী ৱেষ্ট সিয়াংগী কায়ীআংদা বেজ অমা লিংখৎখ্রে হায়না অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

মফম অদুদা দোক্টর অমা অমসুং অতে ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিং থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে। বেক-অপ টিম অমসু তেঙবাংনবা থমখ্রে।

জোরহাৎতা লৈবা বেজ হোস্পিটাল অদু মেদিকেল ইমর্জেন্সিশিংগীদমক থৌরাং তৌখ্রে হায়না এয়ার ফোর্সকী লিখুনশিংনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

এ এন -৩২ এয়ার ক্রাফনা ক্রাস তৌখিবা চীং ঙাক্তগী লমদম অমসুং অশুকপা লমদম ওইবা মেচুকা লমদম অসি এয়ার ট্রেভেলগীদমক মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী খুদোঙ চাদবা অমা ওইগনি হায়না থাজনৈ।

# পাকিস্টাননা করতারপুর কোরিদরগীদমক লৈবাক্কুগী বজেটতা লূপা ক্রোর ১০০ হাপখ্রে

***ইস্লামাবাদ, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** য়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরক্লবা করতারপুর কোরিদর অদু শেম্নবগীদমক পাকিস্টান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী গভর্ণমেন্টনা ঙরাং ফেদরেল বজেট ২০১৯-২০দা লূপা ক্রোর ১০০ হাপখ্রে।

করতারপুর কোরিদর হায়না খঙনরিবা লম্বী অসিনা পকিস্টানগী করতারপুরদা লৈরিবা দরবার সাহিবকা ইন্দিয়াগী গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টা লৈরিবা দেরা বাবা নানক শ্রাইনগা শন্নহনগনি অমসুং গুরু নানক দেবনা ১৫২২দা লিংখৎলম্বা করতারপুর সাহিবতা চৎনবা সুপ্নগী পার্মিট অমখক লৌগদবা ইন্দিয়ান সিখ পিলগ্রমশিং ভিসা য়াওদনা চখোক-চৎশিন তৌবা য়াহল্লগনি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর রেভিন্যু হম্মদ অঝারনা জুলাই ১দগী হৌরিবা শেনবা চহী ২০১৯-২০গী বজেট অদু পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখি।



গভর্ণমেন্টনা করতারপু কোরিদর শেমগৎনবগীদমক ফেদরেল বজেটতা লূপা ক্রোর ১০০ হাপখ্রে। হাপ্লিবা ফন্দশিং অসি মথঙ শেনবা চহী ২০১৯-২০গীদমক পব্লিক সেক্টর দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (পি এস দি পি)গী মখাদা করতারপুরগী ইফ্রাষ্টকচর শেমগৎনবা অমসুং মদুগী লম লৌশিন্নবগী হিরমদা শিজিন্নগনি হায়না জিও টিভিগী পাউনা হায়খি।

পাকিস্টাননা ইন্দিয়া ঙমখৈদগী হৌরগা করতারপুরদা লৈরিবা গুরদৱারা দরবার সহিব ফাওবা লম্বী অদু শেমগনি।

নাকন অমরোমদা ইন্দিয়াগী পঞ্জাবকী গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা দেরা বাবা নানকতগী পাকিস্টানগা তাইনবা ঙমখৈ ফাওবগী ওইবা লম্বী অদু শেমগনি।

ওফিসিয়েলশিংগী মতূং ইন্না পাকিস্টাননা শেমগদৌরিবা কিলোমিটর ৪ শাংবা লম্বী অদুগী চাদা ৫০ রোমগী দিভলপমেন্ট ৱার্ক লোয়শিনখ্রে হায়রি।

কোরিদর অসি ২০১৯ লোয়দ্রীঙৈগী মমাঙদা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লিবনি।

# নেপালদা স্কুল টৌইলেটকী য়ুমথক নীংখাইরকপদা মহৈরোই ৪ শিখ্রে

***কাথমান্দু, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** নেপালগী গারচুলা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা স্কুল অমগী টৌইলেটকী য়ুমথক অদু নীংখাইরকপদা মহৈরোই ৪ শিখ্রে হায়না ওথোরিটজনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী কোনূং কাথমান্দু সিটিদগী নোংচুপ্তা কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্পদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী নৌগাধ রুরেল ম্যুনিসিপালিটিদা লৈবা গনেশ সেকেন্দরি স্কুলগী টৌইলেটকী য়ুমথক অদু নীংখাইরকখিবনি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

ঐখোয়না থৌদোক মফম অদুদগী অঙাং ৪গী হকচাং লৌখৎলে হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

রেস্ক্যু ওপরেসন অদু চত্থবদা য়ামদ্রবদা পূং ৩ চংখি। লাইবক থিবা থৌদাক অদুদা শিখ্রবা মহৈরোইশিং অদু চহী ৫দগী ১০ ফাওবগী মনূংদা লৈবশিংনি হায়রি।

# ওপরেসন *ব্রোকন হার্ট* তা চাইল্ড সেক্স ওফেন্দর ১৭০০ ফাখ্রে

***ৱাসিংটন, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা এপ্রিল অমসুং মে থা ২দা চত্থখিবা ওপরেসন 'ব্রোকন হার্ট'তা ওনলাইন চাইল্ড সেক্স ওফেন্দর ১৭০০ লোম ফাগৎপা ঙম্লে হায়না ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এস জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

'ব্রোকন হার্ট' ওপরেসন অসিনা চাইল্ড পোর্নোগ্রাফি পুথোকপা, য়েম্থোকপা মীওইশিং অমসুং মদুবু ফংবা অমসুং দাউনলোদ তৌবশিং লাক্সিন্নবগী পান্দম থম্বনি হায়না এট্টোর্নি জেনরেল বিল বারনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

# চিনানা সুন ৱৈদোঙবু ইন্দিয়াদা অনৌবা এনভোয় ওইনা হাপ্লকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** বৈজিংদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর ওইরিঙৈ মতমদা হৌজিক এক্সটরনেল এফিয়ারস মিনিষ্টর ওইরিবা এস জয়শঙ্করগা নক্সিননা থবক তৌরকখিবা অমসুং সাউথ এসিয়ান এফিয়ারসতা এক্সপার্ট অমা ওইরিবা ভেটরান দিপ্লোমেট 'সুন ৱৈদোঙ'বু চিনানা ইন্দিয়াদা মখোয়গী অনৌবা এনভোয় ওইনা হাপলকখ্রে।

পাকিস্টানদসু এম্বেসেদর ওইনা থবক তৌরকখিবা 'সুন ৱৈদোঙ' হৌজিক হৌজিক ফোরেন মিনিষ্ট্রগী পোলিসি এন্দ প্লানিং দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর জেনরেল ওইরি।

ফোরেন এফিয়ারসকী ভাইস মিনিষ্টর ওইনা হাপখ্রবা লুও ঝাও হুইগী মহুৎ মানা শিল্লগনি।

চিনাদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর বিক্রম মিশ্রীনা ত্বিট অমদা ফম অসিদা হাপলকপদা মহাকপু নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

এস জয়শঙ্করনা চিনাদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর ওইনা থবক তৌরিঙৈ মতম মনূংদা ইন্দিয়াদা চিনাগী অনৌবা এনভোয় ওইরগদবা সুন ৱৈদোঙনা দিপুটি দাইরেক্টর জেনরেল ওইরম্মি।

# নুমিৎ নীনিখক্তগী মমাঙদা খনখিবী বার কাউন্সিল চীফ কাপ্তুনা হাৎখ্রে



***আগ্রা, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** সুপ্নগী নুমিৎ নীনি খক্তগী মমাঙদা উত্তর প্রদেশ বার কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন খনখীবী দরবেশ যাদবপু আগ্রা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট প্রিমাইজেসদা থৌরম অমা য়াওদুনা লৈরিঙৈদা মমান্নবা উকিল অমনা ঙসি কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

মনিশ শর্ম কৌবা মীহাৎপা অদুসু মাগী লাইসেন্স পিষ্টোল অদুনা মশামক্তা কাপশিনজখ্রে। সিটি অদুগী পুস্পাঞ্জলি মল্টিস্পিসিয়েলিটি হোস্পিটালদা মখোয় অনীমক পুখৎলবসু বার কাউন্সিলগী চীয়ারপার্সন যাদবতি থুনমক শিখ্রে। মনিশ শর্মদি অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি। মনিশ শর্মনা দরবেশ যাদবতা ৩লক হন্না কাপখি। মহাক্না বার কাউন্সিলগী চেম্বরশিংদা মাবু তরান্না ওকপগী থৌরম য়াওখিবনি।

করি ৱাখলদগী মহাকপু হাৎখিবনো হায়বদু পুলিসনা খঙনবা হোৎনরি। এদভোকেট গ্রুপশিংনা হয়েঙ প্রোটেষ্টশিং চত্থগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতূংদা লমদম অদুদা হৌজিক ইরাংগী ফিভম লৈখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা দরবেশ যাদবনা উত্তর প্রদেশ বার কাউন্সিলগী অহানবা নুপী চিয়ারপার্সন ওইদুনা মখল অমগী ইতিহাস শেল্লমখি।

# কোলকতাদা বি জে পি প্রোটেষ্টরশিং পুলিসনা লিচৈনা কপ্থখ্রে



***কোলকতা, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** থাংজ নুমিৎতা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বাসিরহাদতা বি জে পি ৱার্কর ২ হাৎখিবা অমসুং হৌখিবা চয়োল খরদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবশিংদা অতে বি জে পি ৱার্কর কয়া শিখিবা অদুগী মায়োক্তা বি জে পি ৱার্করশিংনা ঙসি অকনবা প্রোটেষ্ট অমা চংশিনখ্রে।

কোলকতা সিটি ময়োলদা ষ্টেট পুলিস হেদর্কাটরস লৈরিবা লালবজার তন্না বি জে পি ৱার্করশিং অদুনা প্রোটেষ্ট খোঙচৎ অমা চৎনবা হোৎনখিবদা পুলিসকা খূৎ থোক্নখি। প্রেটেষ্টরশিং অদুবু তনখাইনবা হোৎনবদা পুলিসনা মীয়াম অদুবু লিচৈনা কপ্থখি, টিয়ার গ্যাস কাপখি অমসুং ৱাটর কেননশিং শিজিন্নখি। মদুদা বি জে পি ৱার্করশিং অদুদনসু পুলিসতা নুঙ অমসুং বোট্টলশিংনা থোমজিল্লক্তুনা খূৎ হল্লকখি।

মফম অদুদা বি জে পি ৱার্কর খরনা ফমজিন্দুনা খোঙজং চংশিনবসু উখি। সিটি অসিদা উংখৎনবগী ফিভম ৱাংখৎলকখিবা অদুগী য়েঙলগা গভর্ণর কেশ্রী নাথ ত্রিপাথিনা ফিভম অদু ইংথহন্নবা হয়েং পাংথোক্কদবা মীফম অমদা ষ্টেট অসিগী মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টি ৪মক কৌখ্রে।

ষ্টেটকী লৈঙাক পায়রিবা ত্রিনামুল কোংগ্রে, বি জে পি, সি পি এম অমসুং কোংগ্রেসনা মীফম অদুগীদমক মখোয়গী মীহুৎ অমমমগী মিং পীখৎলকখ্রে।

ঐখোয়না গভর্ণরনা কৌরিবা হয়েংগী পার্টি পূন্নমক্কী মীফম অদুদা চৎকনি। গভর্ণরদি কনষ্টিট্যুসনেল বোদি অমনি। মাগী মরমদা ঐখোয়না করিমতা হায়রোই হায়না চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী মরীমতা অমসু ওইরিবা ত্রিনামুলগী অভীশেক বেনরজিনা হায়খি।

প্রোটেষ্ট খোঙচৎতা বি জে পিগী হন্দক নৌনা খল্লকখিবা পার্টিগী লোমেকর ১৮মক, ষ্টেট প্রসিদেন্ট দীলিপ ঘোস অমসুং পার্টিগী ষ্টেট ইন-চার্জ কৈলাশ বিজয়বরগিয়া, সেনিয়ার পার্টি লিদর মুকুল রোইসু য়াওখি।

চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টপু থুগাইনবা অমসুং ষ্টেট অসিগী ইরাং থোকহন্নবা হোৎনৈ হায়না সেন্টরবু মরান শীখি।

# 'ইরাননা এনরিচ য়ুরেনিয়ম পুথোকপগী চাং হেনগৎলকখ্রে'

***টেহরান / ভিয়েন্না, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** ইরাননা এনরিচ য়ুরেনিয়ম পুথোকপা হেনগৎলগনি কীহনখিবা অদু থবক ওইনা চত্থরকখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু এন এটোমিক ৱাটচদোগকী মকোক অদুনা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিংগা ইরানগা তৌনবা ন্যুক্লিয়ার দিল অমদগী তোকখিবা অমসুং ইরানগী মথক্তা সেঙ্কসনশিং থমজিন্দুনা উংখৎনবশিং থোকহল্লকখি। উংখৎনবশিং অদুগী মরমদগী ইরাননা মখোয়গী এনরিচ য়ুরেনিয়মগী পোত্থোক পুথোকপা হেনগৎকনি হায়না মুক্লকখিবনি।

ন্যুক্লিয়ার দিল অদুগী মখাদা ইরাননা সেঙ্কসনশিং কোমথোকপগী মহুৎ ওইনা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ারগী মরীলৈনবা থবকশিং হন্থবা য়াখিবনি। ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদা ইরাননা ইনগনি হায়খিবা ৱাফমশিং অদু ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ)না য়েঙশিনবগী দায়ত্ব লৌরি।

অদুবু হৌজিক ইরাননা হান্নদগী হেন্না এনরিচ য়ুরেনিয়ম হেন্না পুথোক্লে হায়না আই এ ই এগী মকোক য়ুকিয়া আমাদোনা হায়রি। অদুবু ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদা থমখিবা এনরিচ য়ুরেনিয়মগী ষ্টোকপাইলগী লিমিটশিং অদু করম্বা মতমদা য়ৌগদগে শেংনা খঙদ্রি হায়রি।

এনরিচ য়ুরেনিয়মগী ফবগী গ্রেদ অসুম-অসুম হেনগৎলক্লবদি মদুনা ন্যুক্লিয়ার ৱিপনশাবা য়াগদৌরিবনি। মদুগীদমক অতে লৈবাকশিংনা মীপাইনরি।

আই এ ই এ ফাইন্দিংশিং অদুনা ইরাননা অরানবা মায়কৈদা চংশিলক্লি অমসুং মালেমগী শান্তি অমসুং সেক্যুরিটিদা ইরাননা পীরিবা শীংনবা অদু মসিনা মখাতানা উৎলি হায়না ৱাসিংটনদা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোইনুপী মোরগান ওরটাগসনা হায়খি।

# মিশাইল এটেকতা ২৬ শোকখ্রে

***রিয়াধ, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** য়েমেনগী রিবেল হৌথি মুভমেন্টনা খা-নোংচুপ সাউদি অরাবিয়াগী এয়ারপোর্ট অমদা মিসাইল কাপশিল্লকপদা য়ামদ্রবদা মীচম ২৬ শোক্লে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা হায়রি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা অভা এয়ারপোর্টতা মিশাইল কাপশিল্লকখিবা অদুদা শোকখিবশিং অদুগী মনূংদা নুপী ৩ অমসুং অঙাং ২ য়াওখি হায়না মিলিটরি ৱাঙাংলোই করনেল টর্কি অল-মালিকীনা হায়খি

# GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Lamsang Gas Agency**
Booking : 16/05/19
Valid : 13/05/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 03/06/19
Valid : 27/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 13/05/19
Valid : 10/05/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
Stk : 550
Time : From 08.00 a.m.

**Ereicha Indane**
Booking : 17/05/19
Valid : 14/05/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : Up to Date
Valid : Nill
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 15/05/19
Valid : 09/05/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**J Rongmei SK Indane**
Booking : 28/04/19
Valid : 25/04/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**T D K Gas, Sekmai**
Booking : 04/05/19
Valid : 29/04/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas**
Booking : 10/06/19
Valid : 12/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**G B D Indane**
Booking : 07/05/19
Valid : 23/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 27/05/19
Valid : 25/05/19
Sl. No. : 34570 to 35019
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**R & H Indane**
Booking : 15/05/19
Valid : 01/05/19
Stk : 612
Time : 06.00 to 11.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 26/05/19
Valid : 02/05/19
Sl. No. : 57881
Stk : 918
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Maibaia Gas, Moirang**
Booking : 06/05/19
Sl. No. : 8830
Valid : 03/05/19
Sl. No. : 8341
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 04/06/19
Sl. No. : 259130
Valid : 26/05/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 05/06/19
Valid : 29/06/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**সনা-সুদোকু - ১৪৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 9 | 8 | 1 | 6 | 2 | 4 | 5 |
| 8 | 1 | 5 | 4 | 9 | 2 | 3 | 6 | 7 |
| 6 | 4 | 2 | 5 | 3 | 7 | 1 | 9 | 8 |
| 4 | 8 | 6 | 2 | 5 | 3 | 9 | 7 | 1 |
| 5 | 7 | 3 | 1 | 4 | 9 | 6 | 8 | 2 |
| 9 | 2 | 1 | 7 | 6 | 8 | 5 | 3 | 4 |
| 1 | 6 | 8 | 9 | 2 | 4 | 7 | 5 | 3 |
| 2 | 9 | 7 | 3 | 8 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 3 | 5 | 4 | 6 | 7 | 1 | 8 | 2 | 9 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-150**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 7 | | 8 | | | 9 | |
| 8 | 3 | | | | 4 | | | 5 |
| | 9 | | 3 | | 5 | | | 4 |
| 4 | 2 | | | 5 | | | | 7 |
| | | 8 | 2 | | 7 | | 3 | |
| | | 5 | | 3 | 6 | 4 | | |
| | | 9 | 4 | | | 7 | | |
| | 8 | | | 7 | | 3 | 5 | |
| 3 | | | 5 | | | 9 | | |

# ইন্দিয়ানা অনমেন স্ক্রামজেট দেমোনষ্ট্রেসন এয়ারক্রাফকী অহানবা ফ্লাইট টেষ্ট মায়পাক্না পাংথোকখ্রে

***বালাশোর, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** ইন্দিয়ানা ঙসি ওরিষ্যা শমুদ্র তোর্ব্বানদগী চখোক্লগা লৈবা বেজ অমদগী হায়পরসোনিক স্পীদ ফ্লাইটকীদমক ইন্দিয়া মশানা শাজবা অনমেন স্ক্রামজেট দেমোনষ্ট্রেসন এয়ারক্রাফকী অহানবা ফ্লাইট টেষ্ট মায়পাক্না পাংথোকখ্রে।

এয়ারক্রাফ অসি লৈবাক অসিগী অশা চাওরবা হায়পরসোনিক ক্রুজ মিসাইল সিষ্টেম অমা পুথোক্লবা প্রোগ্রামগী মরুওইবা মচাক অমনি হায়না দিফেন্সকী লিখুলশিংনা ফোঙদোকখি।

বে ওফ বেঙ্গলগী ডা. অবদুল কলাম আইলেন্দদগী দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)না অয়ুক পূং ১১ মিনিট ২৫ রোম চৎপদা চাংয়েঙ অদু পাংথোকখিবনি হায়রি।

অনৌবা টেক্নোলোজি অদু চাংয়েঙখ্রে, রাদরশিংনা পীবা দাটানা চাংয়েঙ অদু মায়পাকপা অমনি হায়বা উৎলে হায়না দি আর দি ও লিখুনশিংনা হায়খি।




ঐস এস টি দি ভি (হায়পরসোনিক টেক্নোলোজি দেমোনষ্ট্রেটর ভেহিকল) কৌবা অখন্নবা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা পুথোক্লিবা অনমেন স্ক্রামজেট দেমোনষ্ট্রেসন এয়ারক্রাফ অসি হায়পরসোনিক স্পীদ ফ্লাইটকীদমক্নি।

দি আর দি ওনা চল্লাইবা ঐস এস টি দি ভি প্রোগ্রামগী মখাদা সেকেন্দ ২০ লোমগী অতেনবা মতম অমগীদমক স্ক্রামজেট টেক্নোলোজি অদু উৎনবা দেমোনষ্ট্রেটর ফ্লাইট ভেহিকল অমা পুথোক্লে হায়না দি আর দি ওগী লিখুনশিং অদুনা হায়খি। ঙসিগী চাংয়েঙ অদুদা অনমেন স্ক্রামজেট দেমেনষ্ট্রেসন এয়ারক্রাফ অদুনা সেকেন্দ ২০গী মনূংদা ম্যাচ ৬কী স্পীদ য়ৌবা ঙমখি অমসুং মাইল ২০ য়ৌনা ৱাংনা পাইখৎপা ঙমখি।

ঐস এস টি দি ভি ক্রুজ ভেহিকল অদু সোলিদ রোকেট মোটোর অমদা হাপখিবনি। মদুনা মথৌ তাবা অৱাংবা অদু হেক য়ৌবগা অমসুং অয়াঙবা খোঙজেনগী চাং অদু য়ৌরবা মতমদা লোঞ্চ ভেহিকল অদুদগী ক্রুজ ভেহিকল অদু কাপথোকখিগনি। মদুগী মতূংদা স্ক্রামজেট ইঞ্জিন অদু মশা মতোমতা চল্লাইজখিগনি। ইন্দিয়ান সাইন্টিষ্টশিংনা মসিগী পান্দম ফংনবা চহী কয়ামরুমদগী হোৎনরকখিবনি।

অসি মপূং ফানা হেক ফংবা ঙমবদা ইন্দিয়াসু অসিগুম্বা টেক্নোলোজি লৈবা লৈবাকশিংগী সেলেক ক্লব অমদা য়াওরগনি।

হায়পরসোনিক অমসুং লোং-রেঞ্জ ক্রুজ মিসাইলশিংগীদমক ভেহিকল অমা ওইনা শিজিন্নবতা নত্তনা মসি তোঙান তোঙানবা সিভিলিয়ান এপ্লিকেসনশিংদসু শিজিন্নবা য়াগদবা দুয়েল-য়ুজ টেক্নোলোজি অমনি। মসি অচঙমন হন্থনা সেটিলাইটশিং থাগৎপদসু শিজিন্নবা য়াগনি হায়না মখোয়না হায়খি।

# মাওইষ্টনা লূপা ক্রোর ৯গী টেন্দু মনা মৈ থাদোকখ্রে

***গারিয়াবন্দ, জুন ১২(এজেন্সি)ঃ*** ছতিসগড়গী গারিয়াবন্দ দিষ্ট্রিক্টতা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী গোদাউন অমদা থম্বা লূপা ক্রোর ৯ লোমগী বেরি শানবা টেন্দু মনাশিং মাওইষ্টশিংনা মৈ থাদোকখ্রে।

থৌদোক অদু অরাপ্পা নৱামুদান খূঙ্গংদা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেঙবদা থোকখিবনি। নুপীশিং য়াওনা খূৎলাই পায়বা মাওইষ্ট ১২-১৩ রোমনা কন্ট্রেক্টর অমগী টেন্দু মনাশিংগী গোদাউন লৈবা খূঙ্গং অদুদা থুংলখি।

মখোয়না গোদাউন অদু থুগাইরগা লূপা ক্রোর ৯ লোমগী টেন্দু মনাগী বোরা ১৭০০ মৈ থাদোকখিবনি হায়না দিভজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার জে আর ভগৎনা হায়খি। টেন্দু মনাশিং হেকপা খূঞ্জাশিংগী পীগদবা শেল শুনা কন্ট্রেক্টর অদুনা পীদবগী পোৎশিং অদু মৈ থাদোক্লম্বনি হায়রি।